ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ১৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৩৩শুবা মশীং

# য়াওশঙ

## কুম্মৈ পাঙথোকপগী মতম তেনশিন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নবা চঙই

মণিপুরদা ঙল্লিঙৈ মতমদা থা মরি/মঙা লৌ উরুরগা কৈদা ফৌ খরা পৈশিল্লগা নুংঙাইথোক্তুনা মতম লেপ্থোকপগী মতম হৌজিক্তি মতমগা চান্নরক্তে। ফুরিৎ অমা লৈবগীসু, অঙাং মমিং চনবগীসু ফৌ তাইথোক্লগা শীজিন্নবগী চৎনবীদা যুম্ফম ওইরগা মী অমগী ফৌবোৎ তরেৎনা চহী অমা কোন্নৈ হায়না লৌরম্বা মীৎয়েং অদুসু হৌজিক্তি চুমদ্রে। হৌজিক্কি মতমদি য়ূম শাবা নৎত্রগা অঙাং শেম্বদা চংবা শেলবু শেললা হায়না হংনরবনি। মসিগী মরুওইবা ৰাহন্থোক্তি য়ূম শাবদা নৎত্রগা অঙাং অমবু মহৈ মশীন হৈননবা, মতিক চাবা মীওই অমা ওইননবা শেম্লকপদা চংলিবা মপান নাইদ্রবা শেনফম অদুবুনি। হাকসু হাকমল্লবনি, মরুওইনা মীতৈশিংগী চহী অমদা লৈরিবা হরাউ কুম্মৈশিং। জনুৱারী ১দা অনৌবা চহী লাকপনি হায়দুনা মীপুম তিংনা হরাউনৈ, চাকচা-হৈজানবা অমদি কোয়বা চৎনৈ। মসিগী মতুংদা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি, মহারম, গান ঙাই, রিপব্লিক দে অমত্তা চিথবা য়াদে। য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি, চৈরাউবা অনি, বারুণি, কাং, কষ্ণা জর্ম্ম, থৌরানি জন্ম, জূলোন, হরি-উথান, মেরা হৌচোংবা, নীঙোল চাক্কৌবা, দুর্গা পুজা অসিনচিংবা অমগী মথংদা অমা লোইবা লৈতে। য়াওশঙ কুম্মৈ লোইরবা তুংদা লৈশাবীশিংগী, মৌশিংগী, পাখঙশিংগী হায়দুনা তোঙান তোঙান্না চাকচা-হৈজানবা অমসুং ঈশৈ-নোংমাই, লীলানচিংবা থৌরমশিংসু পাঙথোক্নৈ। মীওইবা খুন্নাই অমা লৈরবদি হরাউ কুম্মৈ লৈতবা খুন্নাই য়াওদে। ইন্দিয়াদা খূন্দারিবা ফুরুপ খুদিংমক্কীসু হরাউ কুম্মৈ লৈজৈ। মণিপুরদা খুন্দরিবা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা য়াওশঙগী কুম্মৈ নুমিৎ মঙা চুপ্পা পাঙথোকই। কুম্মৈ অসিগী মনুং চল্লিবশিংদি হোলি ঈশৈ শকপা, য়াওশঙ মৈ থাবা, অঙাংশিংনা নাকাথেং চৎপা, শেল মুনবা, নুমিদাংগী মতমদা পাখঙ লৈশাবীশিং থাবল চোংবনচিংবনি। মতম অমদা মীয়াম্না কুম্মৈ অসি হরাউ তয়াম্না পাঙথোক্নরল্লবসু হৌজিক্তি নুমিৎ ৫নি চুপ্পা পাঙথোকপা হায়বসি চুল্লিব্রা হায়বা ৱাহং অমা ওইরক্লে।

থাবল চোংবা অমসুং য়াওশঙ কুম্মৈসি মমাঙঙৈ মতমদা পুনশিন্নরমগনি হায়বা থাজ দে। ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লরিবা য়াওশঙ কুম্মৈ অসিদি মীঙোন্দগী পুরগা চৎপা লাইনিংগী কুম্মৈনি। ঐখোয়না পুরুরিবা লাইনিং অদুবু চৎলিবা মীওই ফুরুপশিং অদুনা খুল্লিংলিবা ষ্টেট অদুদা নুমিৎ ৫নি কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লদে। অয়ুক ঙাইহাক পাঙথোক্লগা নুমিদাংৱাইরমদা লোইশিল্লি। অদুগা ঐখোয়না নুমিৎ ৫নি চুপ্পা ইথক ঈরাংদা তাওদুনা পূন্সিগী তৌফম থোকপা থবক কয়ামরুম কাউথোক্লগা লৈরি। চাওখৎলবা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগা থোং মান্ননা চৎমিন্নগে হায়রবদি ঙসিদগী চহী চম্মা হেন্না চঙগদবদু ফংনবগীদমক শূবা নোম্বা, মথৌদা পূক্লিং চংবা, লাইরিক লাইশু পাবা অমদি ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহন্নবা তূম্বা চাবা থিদনা হোৎনবা মতম থেংমল্লবনি। ইশাগী পোখোক্লা চাবা কোন্নদবদগী মীপাল তাংদুনা লৈরিবা খুন্নাই অসিনা হরাউ কুম্মৈদা মতম মাঙহনবা হায়বসি চুমদ্রে। মদুগী মহুৎতা অতোপ্পা ষ্টেটশিংনা হরাও কুম্মৈগী ছুটি থারিঙৈদা ঐখোয়দি থবক শূহৌসি হায়বা মতম য়ৌরে। অদুবু য়াওশঙগী ইরাং হন্থহন্নবা অমদি কুম্মৈ মনুংদা থোক্কদবা পামদবা থৌদোকশিং হন্থহননবা অখন্নবা থৌশিল অমা ওইনা হৌজিক্তি শান্ন-খোৎনবরোমদা মায় ওনশিল্লপসিফাওবা মরিং-মরাংবা ফীভম অমা লাকপনা মসিবু কান্নরিব্রা হায়বা ৱাহং অমা লাক্লে। য়াওশঙ স্পোর্টসতগী শান্নবগী ৱাখল পোক্লক্তুনা মালেমগী থাক্কী শান্নরোয় থোক্লকই হায়বসু লৈরোই। মসিদি য়াওশঙ কুম্মৈগী ঈরাং হন্থহন্ননবা শিনখিবনি হায়বা য়াই। য়াওশঙ কুম্মৈ অসি পূংমুৎ মুথৎলসি হায়বদি য়ারোই। অদুবু মতম তেনশিনবা হায়বদি নোংমখক পাঙথোক্লগা লোইশিনবা নৎত্রগা নুমিৎ নীনিদা লোইশিনসি হায়বদুদি অফবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌহন্নীংই। থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোক্লনবগী থৌদাংদি লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা ক্লব, মৈরা পায়বী, সিভিল-সোসাইটি, ওর্গেনাইজেসনশিং অমসুং লৈঙাক্কা পূন্না হোৎনমিন্নবা চঙই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩

১) বাংলাদেশতা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি করিনো, কনানা ইবনো?

২) কলকত্তাদা চৎতুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঈশৈ রেকোর্দ লৌরুবা শৈশকপদু কনানো?

৩) ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দ ফংখিবা মণিপুরী লাইরিক অদু কনানা ইবা, করি লাইরিক্নো?

৪) ভগবতি চরণ বর্মাগী ফাওরবা উপন্যাষ ‘চিত্রলেখা’ হায়বসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৫) “হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক/শীং চল্লকউ হায়রগা ফৌ পুরকপা য়ানবা/নঙনা চাকপু হায়রগা/ফৌগাক চজিক নমথিবা/চাকপু শানা পীজগে।/নঙনা য়েঙ্গাং হায়রগা/লফু য়েনগং থুমনমদবী/য়েঙ্গাং শানা পীজগে।” মতেক অসি করি ঈশৈদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# জাৎ-জাৎ খল্লকই

**ৰাইরু-ৰাইরুবদা**



নোংম-নোংমগী পোৎতি সুম-সুম হোঙদোরক্তে। থাউ হোঙদোরক্তে, চেঙ চাদসু য়াদ লুরে। তাঙখৎলকপদা হরাউবা কনাম লৈরমদৌ মান্দে। লুপা ৫০০ পোৎয়েং পীবদা মায় পুমঙাং ঙাংনরে। লুপা লিশীং অমা খূৎ নিক্লা ইকায়না পোৎয়েং পীরিঙৈ মী অমা লাক্লগা লুপা ২০০০ চৎপী অমা ইমাঙদুমক্তদা পীরবদু মায় অদুম ঙাংই। ঙাইহাক্তংদা মায় অনীরক অদুম ঙাংলে।

করম্বা মপোকনো মসিবু? ইমা-ইপাদা তাইনগদ্রা, ইশাদা তাইনগদ্রা নৎত্রগা থীরবা লাইবক অসিদা অসুম তাইনরসিরা? মীগী মচানা শেল পংপায়দা পায়। হোৎনবা কনবা ৰাৎহৌবা, লাইবক ৰাৎহৌবা, ইমা-ইপা অফবা ৰাৎহৌবা ঐখোয়দি য়াম্না মায় ঙাংনা-ঙাংনা হিংবদা তারিমাল্লে।

সেকেন্দ হেন্দগী ফি-রোল ফাওবা মমল তাঙমনখিদুনা লৈবা ঙম্বগী ৰাংমদা লৈখ্রে। ফি ফাওবা লৈদুনা শেৎপা ঙম্লক্তবগী ফীভম অসি লাকপদা ঐ তূমদনা মঙলাক্লগে তৌই। ভোটকী শিল নম্লমদাইদদি ঐঙোন্দা হায়খি পোৎকী মমল হোঙহনগনি, লৈবাক অসিদা লৈবদা অৰাবা অমত্তা লৈহল্লোই। মী লাখ কয়া থবক পীগনি। মী কয়া লেম্না লাইরিক তমহনগনি। লোন পীগনি, পেন্সন পীগনি, লৌউ-শিংউ চাওখৎহনগনি, ঙা মেত্রিক টন অসুক পুথোক্কনি। ঙাগী মিপান তাংলরোই অসিনচিংবা কয়া অমা। ভোটকী শিল হেক নম্বা লোইদুনা বেলোট বোক্স মনুংদা হেক থাদখিবগা হায়রম্বা, ঙাঙলম্বা পূম্নমক চীন শোয়দুনা ঙাঙথোকখিবগা চপ মান্নরে।

শেন্দানফম লৈতে। শেল থোক্লবা লম্বী লৈতে। নূং থুগায়বফাওবা মরী মতা নৎত্রবদি চান্স পীনদ্রবা মতমনি। শেল থোকফম লৈতনা খূৎতা শেল পায়বা হায়বসিমদি ওইথোক্লরোইদৌবা ৱানি। হা-হা-হা, পোৎকী মমলদি কাওখা অদু রসগুলা কৌতা মচা অমদা লুপা হুস্ফুতরা পীরে, রসগুলা কৌতা অচৌবা অমদনা লুপা চাম্মনিফুনি হায়। য়োংচাক ফজবা অদু লুপা ২০০গী মঙাখক তৌই। মমল হংলম্মগা হাইফেৎ য়েংলম্মগা মায় অসি চিনি অঙাংবমুক ঙাংলম্লগা অদুম লাক্লে। পুং কুনমরিগী মনুংদা মায় অসি নিফুনিপাল্লক ঙাংই হায়বদুনি। হিক-হিক-হিক! মায় অসে সুম তোয়না ঙাংমন্দুনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি হার্ট শোক্লকপা, ব্রেন শোক্লকপা শোয়রোই খল্লি। শোকপু শোক্লবরবু খল্লি।

থা অমদা লুপা লাখ অনীদগী তাদনা মী অমনা থোক্ত্রবদি নুংঙাইবা ইয়া য়াদৌ মান্দে। হন্দক্কী থাগী পোৎয়েং ময়াম অসিবু কমদৌনরিবগে? চেবাউ অমা অনীখক অদুক লাক্লগা লোইরদ্রা খল্লি। অমা অমুক লাক, অমা অমুক লাক চেবাউ তরেৎ/নিপাল লাকই নোংমগী নুমিৎ অমগী থৌদোক নিপালগী। শঙ্গ য়াম্না লৈবগী মওংদা। লিশীং নিপাল চৎকনি নোংমগী। থা অমদা লিশীং নিপাল থোক্তবা মীসু পোৎয়েংনেনদি চৎতবা য়াদে। নোংমা হল্লক্কনিদি হায়ববু হৌজিক হৌজিক ৱানরিবা অসিনা পুন্সি অসি হয়েংৱাই য়ৌদৌ মান্দ্রে। হা-হা-হা ...।

ফাইরেন, লমতা অসিদা নৎত্রবদি লুহোংবা অসিবু পুল্লপ পুল্লপ পুনশিন্দবা য়াদবরা? চহী অমদা খরা খরা চাইনা চাইনা লুহোং খোংদোংনরবদি ওন্থোক্লা নুংঙাইজখ্রনিদা। কনানা ঙম্নি মতম অমুক্তদা ফৈ হায়না তৌরিবসি য়াম্মন্দনা ফত্তবা অমুক ওইরে। করি করি লাইরম তীল্লম শেমদোকপা য়াবা লৈবগে অমাইবা-অমাইবীশিংনা হোংদোক্লবা য়েংবা ফরেদা। ফরে হায়না অচাবা পুংফমদা, নুমিৎতা লুহোংনখিবা ময়াম অমসু খাইনব-ও, মৌবু মাঙব-ও, নুপাবু মাঙব-ও মহানি। পোৎয়েং হায়বা পোৎশক অসিগীদমক তাইবঙ মীনা অসুক ৱাফম থোকপরা? পোৎয়েং অসি মীনা শেম্বা নত্তবরা?

নংজবা ননাই ঐগুম্বগা কোমজবা মখোয়গা পোৎয়েংদি চাউবা মান্নবা ঙম্নবা লাক্লবদা, লফূ কানবা হোৎনবদা করোংচাক য়ুংলে। নোংম-নোংমগী অসুম অসুম হেনজিল্লকই। ৱারেদি লোইনা হায়নৈ, ৱাদনবা হোৎনবদা খজিক্তং পিক্লা হোৎনজবদা নোক্লবীনবা ঙাক্তা। নোক্লবা খরা হন্থনরবদি ৱাবা অসি ফনা য়াম্নদি ফনিসে। য়ারগদি খরা হোংদোক হোংজিন নাইনরগা তাইবঙ মীবু নুংঙাইহনবা য়ারোইদ্রা? তাইবঙ মীনা শেম্বা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তনি মীগীসু লাইগীসু। মীনা শেম্বা চৎন-কাঙলোনসি মীগী ঙাক্তসু নৎত্রি। লাইগীসু য়াওনা শেম্বীরি। অনৌবা অফবা ৱা পুথোক্লসে, মী ৱাদনবা। ●

# নাৎকী শক্তম শাগৎলিব্রা

**নবকুমার ওইনা**

খুন্নাই অমগী থাজবশিংনা ময়েক শেংলক্ত্রবদা মশক থোকপা নাৎ অমা লৈরি হায়গদৌবসি চুনবা ৱাৎশিল্লক্লগনি। অকক্লবা ফুরুপ অমা ওইনা শাগৎপগী ৱা তোক্ল রিবসি নাৎ অদুনসু মশক লেপ্পা ৱারক্কদৌরিবনি। শেৎন-ইন্নবা ফি অমা, লেংয়ান অমনা, কোকয়েৎ অমনা নাৎ অমগী শক্তম ওইনা লৈরবনি খনবসিমক নাৎ অমা ওইশিল্লক্লি। নাকল অমদনা মপানগী হৈনবী কয়া তোৎশিল্লকপা তোক্ত্রিবনা লমদম অমগী নাৎ অমা ময়েক শেংনা থম্বা ঙমশিল্লক্ত্রবনি। মরকসিদা মীওই অমনসু মাগী-মাগী নাৎ শাগৎপগী নাপলগা লোয়নবা শাজৎ অমসু পাথাং-পুথাংদগী লোয়নরক্লবা হৈনবী ওইহৌরি। অপূনবা খুন্নাই অমগী অপূনবা নাৎ অমা লৈরে হায়বসু য়াদ্রি। পূনবা য়ানদবা হায়বসিমক নাৎ ওইনা লৈরিঙৈদা অপূনবগী নাৎ অমা থোক্লকপা ঙম্বা হৌনদে। ইমান মান্নরিবা হৈনবীশিংদু মাগী মাগীনি হায়না চাইখায়রগা মুন্নবা য়াওনরক্লিবনি। নাৎ অমা শাগৎলিবনি খনবসিমক ময়েক শেংবা ঙম্লক্তবগী থাক য়ৌশিল্লক্লে।

মীওই খরবু অপঙবা শীরগা লাই লাৎশিনবা, লাই শাজিন্নবা হায়বসি নোংমদি শোয়দনা য়েৎনরক্কনি। অচুম্বদা য়েৎপসু ওইবা য়াই, চুমদবগী য়েৎপসু ওইবা য়াই। লাইদা থাজবসি লাল্লবদি নাৎ ওইনা লাল্লি হায়গদ্রা, লাইদু লাল্লি হায়গদ্রা? লাইবু লাল্লি হায়বদি য়ারোই, লাইনি হায়বদু লানব্রা, লাই কৌবদু লাল্লব্রা, লাই ওইনা নীংবদু লানব্রা অমদি ওইরনি। লাইদু কনা ওইগদৌরিবনো? পোকপা-শিবা, লোম্বা নাইবদুরা, শিবা নায়দবা অমরা? মদু খঙবগী ৱা য়াওদবা, তুংদা পঙইন্দা ইন্নবগী নাৎ ওইগদৌরিব্রা? তুং পংইন ইনবসি তাইবঙপানগী নাৎনি হায়বদি য়ানররোই। লাই শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবসি লমদম অসিগীদি নাৎ অমা ওইশিল্লক্লি। লাইদা থাজবনি নৎত্রগা লাই নীংলবনি হায়বা মাল্লক্তরে, ওর্গনাইজেসন অমদা য়াওবগী মওংদা লাকখ্রে। শেন্দোংগী মাল্লকপদুনি, ফুরুপ শন্দোকপগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবদু লাইনীং অমদদি অমুক চানরক্তে। লাইনীং হায়বসি হোংবা য়াবা ফুরিৎ, ফি-রোল মাল্লক্লে। ৱাখলদা থাজবা পংহোংদা হোংবা হায়বসি থাজগন্দবা নত্তে, খঙবা ঙমজদবা ওইগদৌরিবনি। লাইনীংগা মরী লৈনরক্তবা য়ারিবনি। লাইনীং অনী চৎপদি কদায়দগী চুমগদৌরিবা? অরানবা উগনবা মীদুনা অচুম্বা খঙগনি হায়বসু লৈতে, লান্না থাজবা মরক্তা য়াওশিনখিবসু য়াই। লাইনীং চনি-চহুমসি থাজদবা মী অমগা লাই অমদা থাজবা মীদুগা খেন্নরিবা হায়বসি লাই অমখক্তনি হায়বা লৈ। লাইনীং অমদা থাজরিবা মীওই অমনা লাই চনি মরিফুতরামাপল অমদি থাজদ্রিবনি। হৌজিক্তি লাই হায়বসি মমায় অনী পাল্লে, থাজবা হায়বা অমগা থাজদবা হায়বসিগা খূবাক-খূৎনম নায়বগুম্বনি, পোৎ অদুদি অমত্তনি। থাজবদু লায়রি, লৈব্রা লৈতব্রা হায়বগী ৱাফম অমদা লাক্লি। লৈত্রবদা থাজবদি চুমগদৌরিব্রা, লৈবা ওইরগনা কনানো হংনরকপগী ৱাদুতনি। হংনবসিসু নাৎ ওইরক্লিবনি। নমথবা য়ারোই, মীনম্বসু য়ারোই। লাই লৈ হায়বসিনা নাৎ ওইবা য়ারবদি লাই লৈতে হায়বদুসু নাৎ অমা ওইরিবনি। অনীদুনা য়েৎনবা করিসু লৈতে, অমনা লৈ হায়বদা থাজবনি, অমনা লৈতে হায়বদা থাজবনি, অনীমক থাজবা ঙাক্তনি। থাজবদু লাইনি হায়বদি য়ারোই, অশেংবা পুথোক্কদৌবনি। মীদা লাইনি হায়বদি য়ারোই, মী অমত্তনা নুমিৎ-থাবু শেল্লম্বনি হায়বা লৈতে। হেঞ্জিন্না হায়জিনবদগী থাজনদবা হায়বসি শেল্লকপনি। ফজনদবদু নাৎ অমরা, নৈনবসিদি নাৎ অমা ওইনা হিংহনগদৌবনি। মদু য়াওনরক্তবগী ৱাদুনি নাৎ অমা ওইখৎলক্লিবসি। হেক্তা থাজরগা নাৎ অমা ওইরে হায়বদি য়াররোই হায়বগী ৱাদুতনি।

লোল অসিনা করম্বা নাৎকী লোল ওইরিবা, মমিংফাও চুমদ্রবদা নাৎসু পংহোংদা হোংবা তারক্লি পংহোংদা হোংবগী নাৎ অমা শাগৎলগা কয়া কুইনা চৎকদৌরি। শাগৎপা কৌগদৌরিব্রা, মুথৎপা কৌগদৌরিব্রা? লোল অসি শেমগৎলিব্রা, মুথৎনবা শীল্লিব্রা? ৱায়রগা মী অমনা ঙাঙনবগুম ঙাঙনরগা মমালোল কৌখিবরা নৎত্রগা মমালোল থাদোক্লগা লোল অমদা ঙাঙলিব্রা?

চমন্নবা শেমগৎপসি নাৎ কৌগদৌবনি হায়বা লৈব্রা? থায়নদগী থাজবা অদুবু নাৎ কৌবা অমসুং নাৎনি হায়রগা নুমিৎ খুদিং লান্না-লান্না চথবা তারবদি মীওইবগী লৈবাক মচা তাবা হায়বা নাৎ অমা শাগৎপদা অপনবা পীরিবনি। মদুমক চাথাং পুথাংদা থংথরম্বা তারবদি অহোংবা লৈতবা খুন্নাই অমা ওইগদৌরিবনি। হোংবা নাইবা হায়বসিমক নাৎ অমনি। অফবা মায়কৈদা হোংবা ঙমদবদগী মুথরকপা কোঙ্গায়’মা য়াওরবনি। মীওইবনা মুথরক্লবা শা-ঙা, উ-ৱাবুদি কন্নবা লাউনরি, মশামক মুথরকপদি কনবা ঙমজদ্রি। মশাগী শক্তম ঙাক-শেনবা ঙমজদবশিংনা শা-ঙা মুৎশিল্লকপা কনবা ঙমগনি হায়বা লৈতে। শজি-শঙাই কনগনি, ইরোই মুথৎকনি, ষণ মুথৎকনি, শঙ্গোম চাবদি পাম্নরক্লি। থবক শুদনা অহাওবা চানীংবসি নাৎ ওইখৎলক্লি।

নাৎ হায়বসি মী অমগী পুন্সিগুম্না অহল ওইশিল্লক্লগা শিথবা নায়বা অমা নত্তে। কুইরগা ফজখৎলকপা শক্তম অমা ওইগনি। মুথৎনবা শিনবা, হোংদোক্লবা শীজিন্নবদি নাৎ অমা শেম্বা শাবনি হায়না লৌবা য়ানরক্লোই। মতম মাঙহনবদু পাম্মুবা ফাওনরকখিনি। লৈঙাক পায়বা মুন্নবা, মীগী শেল হাৎপা, মী হাৎনবা, শেল চানবা, দ্রগ চাবনা নাৎ ওইখৎলক্লবদা খুন্নাই অমা শেমগৎপগী থৌদাং লৌরি হায়বদি অচুম্বা ওইরক্লোই।

খুন্নাই খরদদি মতম মাঙহন্দবসি নাৎ ওইরিবনি, ঐখোয়গীনা থৌরম অমত্তা মতম চানা হৌবা ঙমদ্রি। অচৌবা শাবা, লান্দবা শাবা, হুরান্দবা শাবা, অখঙবা শাবা, লাই নীংবা শাবসিনা নাৎ ওইখৎলক্লিবনি। চৎনরিবসি নাৎনি, চৎনদ্রবদু নাৎ নৎত্রে।

থাজনদ্রবা কয়া নাৎ ওইনা হিংলিবগী মরমদুদি নাৎ অমা নত্তে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লায়রবা অঙাংশিং অমসুং লৈঙাক্কী স্কুল

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা তম্বা মহৈরোয়শিংনা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বা মহৈরোয়শিংদগী পরিক্ষাদা শোথবা উবদগী গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং ফগৎনবনি হায়দুনা গো টু স্কুল অমদি স্কুল ফগৎহনসি মিসন হায়দুনা অনৌ অনৌবা স্কিম কয়ামরুম পুথোক্তুনা হোৎনবীরি। প্রাইমারি থাক্তগী হৌরগা সেকেন্দরি ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী মনীং থুংনবা অমদি গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা তম্মীংনবা ফ্রী এদ্যুকেসন, মিদ দে মিল অমসুং পরিক্ষাদা মকোক মথং তাবশিংবু মনা-মথুম পীদুনা মহৈরোয়শিং, মমা-মপা অমদি ওজাশিংগী পূক্লিং থৌগৎপীদুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবীরি। অসুম্না হোৎনবীরবসু নীংবা থুংদবা লায়রবা ইমুংগী মহৈরোয় কয়া অমা লৈরমগনি অমদি লৈরি হায়বসিমদি ইনীং-নীংশিংনবীদবগুম উরি। মসিনা তাকপদি মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংগী দিটেল রিপোর্ট হায়বদি স্কুলশিং অদুগী এরিয়া অদু কয়া য়াম্না পাক চাউবা, করম্বা চহীদা লিংখৎখিবা, স্কুল অদুগী কন্দিসন, চহী খুদিংগী ক্লাস খুদিংদা অঙাং কয়া-কয়া তম্লিবা, স্কুল অদুগী ওজাশিংগী বাইও-দেটা, ত্রান্সফর পোষ্টিংগী রেকোর্দ, ওজাগা মহৈরোয়গা চানরিব্রা, স্কুল অদুগী মফম অদু কনাগীনো, গভর্ণমেন্টকীরা নৎত্রগা মীওই অমনা কৎলকপরা, মতম অদুগী পাক চাউবা অদু হৌজিক্কী মতমদা লৈরিব্রা হায়বনচিংবা দেটা খোমগৎপীরমগদবা মান্দে।

মথক্কী দেটাশিং অসি মহৈরোয়শিংগী পরিক্ষা লোইখিবা মতমদা চহী খুদিংগী খোমগৎপীবগা লোয়ননা ইন্সপেক্সন তৌবীরম্বা তারবদি, ইম্ফাল সহরগী জিরো মাইলদা লৈরিবা থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা ‘গুরুকুল স্কুল’ গী ফীভম শোয়দনা খঙবীবগা লোয়ননা স্কুল ফগৎহনসি মিসন হায়বদুগী শরুক খরদা ওইরবসু থুংলমগদ্রা খঞ্জে।

স্কুল অসিগী সাইন্দ বোর্দ অহুমগী অমদি স্কুল অসিদা তম্লকখিবা অহল কয়াদগী খঙজবদা স্কুল অসিদগী মশক নাইবা মীওই কয়া-কয়া পুথোকখি হায়বা তাজবা নত্তনা হৌজিক্তি মহৈরোয় তম্বগী চাংসু য়াম্না হন্থরে। স্কুলগী ফীভমসু অসুক্কী মতিক শোকচিল্লে। নোং-নুংশিৎ অকনবা অমা লাকপদা তেকপগী ফীভমদা লৈরে। স্কুল অসিগী অনকপদা লৈবা লায়রবা মীওই কয়াগী মচা-মশুশিং লাইরিক তমদনা লৈবা উরি। মরমদি প্রাইভেট স্কুলদা তমহনবসু ঙমদা, স্কুল অসিগী ফীভম অমদি নোংজু-পন্থাদা স্কুল য়ৌনবগী লম্বীগী ফীভম উবদা তমহন্নীংদে অমসুং তমহন্দে। এ সী অসিদা লৈবীরিবা মচিন তোংবা কনা অমত্তনসু লায়রবা মহৈরোয়শিংগী খনবীরগা স্কুল অসিবু চাওখৎনবা হায়বদি সেকেন্দরিগী থাক ফাওবা পুখৎলগা থল্লমগে হায়বগী ৱাখল পোকপা মীওই অমত্তা থোরকপসু উদে। মরমশিং অসি লৈবনা মরী লৈনবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবীদুনা লায়রবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবীয়ু হায়না এদিটরগী খূথাংদা হায়জরি।

এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা থবক্তা পাঙথোক্কে খনবদা পাঙথোকপা ঙম্বশিংদা মসিমসু পাউদমজরি মদুদি হায়রিবা গুরুকুল স্কুল অসিগী লম অসি কনাগুম্বা পুকচেল চাউবা অমনা দোনেট তৌবনি হায়না তাজে। স্কুলগী এরিয়া অসি কুমজা ১৯৭৫ ফাওবদি য়াম্না পাক চাউনা উরম্মী অদুগা মহৈরোয়সু ১০০গী মথক্তা তম্বা থেংনজখি। অদুবু হৌজিক্তি স্কুলগী এরিয়াসু পিকশিল্লকপগুম উরি। মহৈরোয়শিংসু ২০ ফানা তম্লমগদবা মান্দে। কনাগুম্বগী মচা মশুশিং ঙমগদ্রা খন্দুনা প্রাইভেট স্কুলদা তমহল্লুরগা স্কুল ফী অমদি য়ুনিফোর্মগী শেনফম পুনবা হোৎনবদা লায়র তানবসু য়াওনরে। ফী হুনবা ঙমদদুনা স্কুল কাদবসু য়াওনরে। মরমশিং অসি লৈবনা লায়রবা মহৈরোয়শিংগী খনবীরগা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা মীৎয়েং থম্বীদুনা ‘গুরুকুল স্কুল’ বু সেকেন্দরিগী থাক্তা থম্বীনবা, অরিবা স্কুল বিল্ডিং শিদোকপীরগা অনৌবা অমা শাবীদুনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবীয়ু হায়না অঙম্বশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

*অদোমগী - এলাংবম মনিহার (রোমেস)*
*থাংমৈবন্দ গুরুকুল স্কুল মনাক*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।